# স্কুল তম্লিঙৈদা কাঞ্চিপুরদা লৈবা ডা. কমল ইন্দোর হোলদা সেপাক তাক্রো শান্নবা উজরুবদগী ঐহাকসু গেম অসি শান্ননীংলকখি : খাঙেম্বম নিকেন



খাঙেম্বম নিকেন
সেপাক তাক্রো ইন্টরনেসনল প্লেয়র

ইন্দিয়াগী ওইনা মণিপুর মচাশিংনা মাঙজিল থাবা গেম মখলশিংগী মনুংদা সেপাক তাক্রো হায়বা মশান্না অসিসু অমনি। ৱেটলিফটিংদা, জুদোদা, হোকিদা, বোক্সিংদা, ক্রুশুদা লমদমসিদগী মমিং লৈবা শান্নরোয় কয়া থোকখ্রে। লোয়ননা সেপাক তাক্রোদসু মণিপুরী মচাশিংনা মফম চাউনা কনবা ঙম্লি। মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা এসিয়ন গেমস (পলেম্পাং, জকার্টা) তা মণিপুর মচা খাঙেম্বম নিকেন্না ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রো টিমগী কেপ্তেন ওইনা শরুক য়াখি। হায়রিবা গেমস অদুদগী লুপাগী মেদলসু পুরগা লাকখি।

কুমজা ১৯৮৭কী ফেব্রুৱারী ২৭ নোংমাইজিং নুমিৎতা, শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকায়দা লৈবা খাঙেম্বম ওংবী দামু অমদি খাঙেম্বম ওংবী মেমচাগী মচা তরুক্কী মনুংদা (নুপী মঙা, নুপা অমা) মঙাশুবা অমত্তা ঙাইরবা মপারি ওইনা খাঙেম্বম নিকেন তাইবঙদা খোঙদারকখি। মমা-মপাগী তাঙনা ফংজবা মপারি ওইনা চাউরকখিবা নিকেন পিক্লিঙৈদগী লাইরিক লাইশুগা লোয়ননা শান্নবসু পাল্লকখি।

মতৌ করম্না সেপাক তাক্রো শান্ননীংলকখিবনো হায়বগী মতাংদা খাঙেম্বম নিকেননা অসুম্না হায়বিরকখি, ঐহাক কাঞ্চিপুরদা লৈবা লিটল রোজ স্কুলদা তমজরকখি। ঐহাক্না ক্লাস সিক্স তম্বা মতমদুদা মণিপুরনা হোষ্ট ওইদুনা ফিফ নেসনল গেমস (১৯৯৯) পাঙথোকখি। মদুদা সেপাক তাক্রোগী ইভেন্টসি ঐখোয় স্কুল ময়াদা লৈবা ডা. কমল ইন্দোর হোলদুদা তৌখি। স্কুলগী হাফ মতমদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী শান্নরোয় ময়াম্না নুংঙাইনা শান্নবসি অহানবা ওইনা উজরকখি।

সেপাক তাক্রোসিদা মণিপুর টিমদা য়াওবা প্লেয়রশিংদুসু লোইনা হৈ। মখোয়না অতোপ্পা টিমগা শান্নবদা ফাইনেল ত্রোফি লৌদুনা ফোটোগা কাপ্পসি উজরুবদা ঐনা য়াম্না পামজখি। মদু উজরুবদগী ঐঙোন্দা সেপাক তাক্রো শান্ননীংবগী ৱাখলসিসু পোল্লকখি। অদুগা, ঐহাক অঙাং ওইরিঙৈদগী ইম্ফাল তুরেলদা খোই চোপ্তুনা ঙা ফাবসি হোবি ওইদুনা লাকখি।

স্কুল হেক হল্লকপগা, অশাংবা খোইজে অমমম পায়রগা ঐখোয় ইমান্নবা মরি-মঙা হৌনরগা খোই চোপ্পসি অদুম তৌরকখি। নোংমদি ঐখোয়না খোই চোপ্পা থোরকপসিদা ঐখোয় শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকায়দা লৈবা হৌজিক সাইগী কোচ ওইবিরিবা ওজা জোতিনসিনা ঐখোয়সি কৌশিল্লগা হায়রকখি, অঙাংশা নখোয় তুরেলদা খোই চোপকদবগী শরুকপুদি সেপাক তাক্রো শান্নসি লাকউ, শান্নবনা ফৎত্রা? ফজনা মতম মাঙহন্দনা শান্নরবদি নখোয় হয়েং অফাওবা শান্নরোয় অমমম ওইরকপসু য়াই। সেপাক তাক্রো হায়বা গেমসিদি মণিপুর মচানা শান্নগদবা মশান্ননি হায়বিরকখি।

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
সেপাক তাক্রোদা মীৎয়েং অমা



অশেংবমকসু সেপাক তাক্রোসি ঐখোয় লৈকায়গী য়াৱা ক্লবসিদা পাম্না শান্নরকপা গেম অমসু ওইরকখি। ঐহাকসু হান্না শান্ননীংদুনা লৈবগা শোমদনা অমুক শান্ননবা হায়রকপগা চান্নখিদুনা নুমিৎ নীনিগী মতুংদা ঐহাক সেনিয়র ময়াম্না শান্নরিবদুগী মরক্তা য়াওদুনা শান্নবা হৌজরকখি।

অতোপ্পা ঐখোয় লৈকায়গী ইমান্নবা ১০মুকসু মথং মথং হৌনদুনা ঐখোয় থৱায় য়াওনা শান্নরকখি। অসুম্না সেপাক তাক্রোসিদা লেপ্তুনা শান্নজরকপদগী য়াম্না নুংঙাইজবা ইশাগা চান্নবা গেম অমসু ওইরকখি। ঐগীদি হান্না পামজদুনা লৈবগা চান্নখিদুনা সেপাক তাক্রোসি ইশাগসু য়াম্না চুশিন্নরা থোকখি। থা অনী/অহুমগী মতুংদদি ফজনা ইমপ্রুভসু তৌরকখি।

অহানবা ওইনা ঐখোয় লৈকায়দগী থোক্তুনা শান্নমিন্নরকখিবা মরুপ-মপাংশিংদি নিশান্ত, খুবা, ওথেল্লো, কট্টর, মোমো, জোনসননি। মতম খরা শান্নমিন্নরল্লগা ফাইনেল এগজামগী শান্নবা লেপখিবদগী থোরকখিদবা মখোয় খরসু অদুম য়াওখি। অদুবু ঐগীদি এগজামসু থাই, শান্নবসু শুংলেপ লেপ্পকখিদে। ইশানা পামজবা অমা য়াওনা চঙশিল্লকখিবা ওইদুনা চাং নাইনা অদুম শান্নজরকখি। লাইরিকসিসু য়াম্না হেন্না হেন্দোক-থোইদোকপা নৎত্রগসু চাংচৎ অমদা থৱায় য়াওনা হোৎনজদুনা লাকচখি। লাইরিক্কা শান্নবগা অনীসি চাং অমদা থল্লগা ঐহাক ঙম্না-ঙম্নবসু হোৎনজরকখি।

কুমজা ২০০০দগীদি ঐহাক মিনি টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা হৌজরকখি। পুন্সিগী অহানবা ওইনা হৈঙাংদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেলগী মিনি টুর্নামেন্টতা য়াৱা ক্লব শিংজমৈদগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নজরকখি।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯১

১। করম্বা চহীদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতগী ফুটবোল শান্নরোয় চহী ২৩ হেল্লবা অহুম টিম অমদা শরুক য়াবা য়াহনখি ?

২। মহাক চহী ৮১দা লৈখিদে, চহী ৭২ শুরকপদা ওলিম্পিক্কী মেদল অমা ফংখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩। মহাক CESKE BUDEJOVICE তগী প্রেগ ফাওবা মাইল ১১৮ অসি মহাক্কী মরুপ BOHUSLAV KARLIK কা পুং ২০দা হি হোন্দুনা চৎখি। মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪। 'লৈকোই' হায়রগা মণিপুরগী লান্মীশিংনা করিবু খঙনৈ?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এসিয়ন গেমসতা ছেস মশান্না মেদল স্পোর্টস অমা ওইনা য়াওরগনি



চেন্নাই, মার্চ ১৮ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী ছেস শান্নরোয়-শিংগী মনুংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বা অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বনাথ অনন্দনা ফোঙ-দোরকপা মতুংইন্না এসিয়ন গেমসতা ছেস মশান্না অসি মেদল স্পোর্টস অমা ওইনা য়াওরকপা অসিদা হরাওবা ফাওই হায়খ্রে।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ফংবা ঙমখ্রবা অমদি ইন্দিয়াগী অহানবা গ্রান্দ মাষ্টর ওইখিবা বিশ্বনাথ অনন্দনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এসিয়ন গেমসতা ছেস মশান্না অসি মেদল স্পোর্টস ওইনা শরুক য়ারকপা অসিদা ইন্দিয়াগী টিমনা মেদল লৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থল্লক্লি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০০৬ তা দোহাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা ছেস মশান্না অসি মেদল স্পোর্টস ওইনা শরুক য়াখিবনি। মদুগী মতুং চাইনাগী ২০১০ গ্বাংজৌ এসিয়ন গেমসতসু য়াওরমখি। মদুগী মতুং মশান্না অসি এসিয়ন গেমসতগী লৌথোক্তুনা লাকখিবনি। ইন্দিয়াদা দোহা এসিয়ন গেমস অদুদা ছেস মশান্নাগী ওইবা গোল্ড মেদল ২ লৌবা ঙমখি। অদুগা ২০১০ দা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌখি।

# ইন্দিয়ন ৱেলস টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী টাইটল ওষ্ট্রিয়াগী থিয়েমনা লৌখ্রে, নুপীগীনা কনাদাগী এন্দ্রেসকুনা ফংখ্রে



ইন্দিয়ন ৱেলস, মার্চ১৮ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এস এগী ইন্দিয়ন ৱেলস সিটিদা পাঙথোরকপা ইন্দিয়ন ৱেলস এ টি পি অমসুং দব্লিয়ু টি এ টেনিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেলদা নুপাগী সিঙ্গলকী ওইনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিকথিয়েমনা টাইটল লৌখ্রে। অদুগা নুপীগী সিঙ্গলদা কনাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রেসকুনা টাইটল ফংখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গল ফাইনেল অদুদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা স্বিজরলেন্দগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান মতম শাংনা ওইবা ঙম্লন্নবা রোজর ফেদররবু অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং সেট ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

দোমিনিক থিয়েম মশাগী চহী ২৫ শুরকপদা ঙরাংগী ইন্দিয়ন ৱেলস টাইটল ফংবা অদুনা করিয়রগী অহানবা এ টি পি টাইটল লৌবা ঙম্লে। অমরোমদা, রোজর ফেদররনা হন্দক্তা দুবাইদা পাঙথোকখিবা দুবাই মাষ্টরস টেনিস টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংলগা মহাক্কী করিয়রগী ১০০ রকশুবা এ টি পি টাইটল ফংবা ঙমখ্রবনি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট এক্সপরিয়েন্স লৈরবা রোজর ফেদররনা দোমিনিক থিয়েমগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩ থোইরগা সেট অদুম মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা ৱর্ল্ড নম্বর ৮ দা লৈরিবা শান্নরোয় দোমিনিক থিয়েমনা ৱর্ল্ড নম্বর ৪ রোজর ফেদররবু লাকশিন্না শান্নবা ঙম্লকপদগী সার্ভিস গেম অমা মুনবা ঙমখি।

সার্ভিস গেম অমগী খুদোংচাবা ফংবা ঙমখ্রবা দোমিনিক থিয়েমনা অনীশুবা সেট অদুদা মহাক্কী মখা তাবা সার্ভিস গেমশিং হোল্ড তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬-৩ দা থোইদুনা শান্নরোয় ২ ফাইনেল মেচ অদুদা সেট অমমম মায় পাক্লদুনা লৈখি।

নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা রোজর ফেদরর স্পেনগী ৱর্ল্ড নম্বর ২ শান্নরোয় রাফেল নদালগা শান্নগদবা অদু নদাল শোকপদগী শান্নবা ঙমদনা ৱাক ওভর ফংলগা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা, ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা কনাদাগী মিলোস রোনিকপু মায়থীবা পীরগা ফাইনেল য়ৌরকখি।

ফেদরর অমসুং দোমিনিক থিয়েমনা অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা মখোয় মখোয় মাইকৈদগী ফজবা মশান্নাশিং উৎথোকপা ঙমদুনা খুদুম চনবা ঙম্নখিদে। সেট অদুগী ১০ শুবা গেম লোইবা ফাওবা শান্নরোয় অনীনা গেম ৫-৫ থোইনদুনা লৈখি। অদুবু নহা ওইরিবা শান্নরোয় দোমিনিক থিয়েমনা মহাক্কী মাইকৈদগী অহেনবা মশান্না পুথোকপা ঙমদুনা রোজর ফেদররগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌখিবা অমদি মহাক মশামক্কী সার্ভিস গেম হোল্ড তৌবদগী দিসাইদিং সেট অদু ৭-৫ দা থোইদুনা ইন্দিয়ন ৱেলস এ টি পি টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপতা কনাদাগী নহা ওইরিবী শান্নরোয় মশাগী চহী ১৮ দা ঙাইরিবী বিয়ানকা এন্দ্রেসকুনা জর্মনিগী এক্সপরিয়েন্স লৈরিবী এঞ্জেলিক কর্বরবু সেট ২-১ দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

এন্দ্রেসকুনা টুর্নামেন্ট অসিদা ৬০ শুব রেঙ্ক ওইনা শান্নবা য়াওরকখিবনি। মহাক্কী টেনিস করিয়রদা ইন্দিয়ন ৱেলস টাইটল অসিনা অহানবা টাইটল ওইরিবনি।

অহানবা সেট এন্দ্রেসকুনা এঞ্জেলিক কর্বরগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দা থোইখি। সেট অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরবী এন্দ্রেসকুগী অশোনবা মফম খরা জর্মনিগী ৱর্ল্ড নম্বর ৮ কর্বরনা খুদুম চনবা ঙমদুনা অনীশুবা সেট অদুদা সার্ভিস ব্রেক অমা ফংদুনা ৬-৩ দা থোইরগা শান্নরোয় ২ সেট অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা শান্নরোয় ২ হৌরকপদগী লম্বা মান্নন লৈরম্বদগী নহা ওইরিবী বিয়ানকানা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরগী সার্ভিস গেম অমা মতাং মতম চানা ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬-৪ দা থোইরগা নুপীগী টাইটল অদু লৌখি।

# অফঘানিষ্টানগী ক্রিকেট টিমনা লৈবাক অদুগী পুৱারীগী অহানবা ওইনা টেষ্ট মেচতা আইরলেন্দবু থোইখ্রে



দেহরাদুন, মার্চ ১৮ (এজেন্সী)ঃ

অফঘানিষ্টান অমসুং আইরলেন্দনা ইন্দিয়াগী উত্তরখন্দ ষ্টেটতা লৈবা দেহরাদুনগী রজিব গান্ধী ইন্টর-নেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টেষ্ট মেচতা অফঘানিষ্টানদা ৱিকেট ৭ তা থোইদুনা লৈবাক অদুগী পুৱারীদা টিম অদুনা অহানবা টেষ্ট মেচ মায় পাকপা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী টোচ আইরলেন্দনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুনা অহানবা ইনিংসতা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ১৭২ লৌখি। আইরলেন্দগী বেটচমেনশিং অদু হৌরকপদা য়াম্না ফীভম শোকখি। স্কোর বোর্দর রন ৮৫ লৈবদা বেটচমেন ৯ আউট ওইখি। ১১ শুবা বেটচমেন টিম মুর্টাকনা আউট ওইদুনা রন ৫৪ লৌবা ঙমখিবা অমসুং ৮ শুব বেটচমেন জোর্জ দোক্রেননা রন ৩৯ লৌরম্বা লোয়ননা ওপনর পোল ষ্টির্লিংনা রন ২৬ লৌরম্বা অদু লোইশিল্লকপদা টিম অদুগী স্কোর ১৭২ দা লোইশিনখি।

অফঘানিষ্টানগী মাইকৈদগী বোলর জামিন অহমদজাই অমসুং মহমদ নাবিনা আইরলেন্দগী বেটচমেন ৩/৩ আউট তাহনবা ঙমখি। অদুগা অতোপ্পা বোলর অনী রসিদ খান অমসুং ৱাকার সলামখেলনা ৱিকেট ২/২ লৌখি।

অফঘানিষ্টানগী মাইকৈদগী অহানবা ইনিংস শান্নরকপদা টিম অদুগী বেটচমেন মরি য়াম্না ফজবা ঙমখি। ওপনর মহমদ সজাদ রন ৪০ লৌখি। মহাক্কী মতুংদা চঙলকখিবা রহমট শাহ রন ৯৮, মরিশুবা বেটচমেন হসমট তুলা সাহিদিগী রন ৬১ অমসুং টিম অদুগী কেপ্টেন অসঘর অফঘাননা রন ৬৭ লৌরম্বা অদুনি।

অফঘানিষ্টানগী অহানবা ইনিংস অদুগী হৌরকপা রন ৬৮ শুরকপদা ৱিকেট অনী তুখি। মদুগী মতুং রহমট শাহ অমসুং হসমদতুলানা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনর্শিপতা রন ১৩০ হাপচিনখি। হসমটতুলা মশাগী রন ৬১ শুরকপা মতমদা আউট ওইখি।

রহমট শাহ অমসুং কেপ্টেন অজঘর অফঘাননা মরিশুবা ৱিকেট পার্টনর্শিপতা রন ২৮ খক হাপচিল্লগা অপূনবা ২২৬ য়ৌরকপদা রহমদ শাহ রন ৯৮ দা আউট ওইখিবনি। মখা তারকপা বেটচমেনশিং রন চাউনা লৌবা ঙমখিদবদগী অপূনবা স্কোর ৩১৪ য়ৌরকপদা ইনিংস লোইশিনখি। আইরলেন্দগী মাইকৈদগী বোলর ষ্টোট থোমসননা ৱিকেট ৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল ওইখি।

আইরলেন্দনা অফঘানিষ্টান্দগী রন ১৪২ শোখরগা লৈখি। মখা তানা মখোয়না অনীশুবা ইনিংস শান্নরকপদা পুন্না রন ২৮৮ লৌখি। টিম অদুগী মাইকৈদগী এন্দ্রু বালব্রিনিনা রন ৮২ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ইনিংস অদু হৌরকপদা ওপনর ৱিলিয়ম পোটরফিল্ড স্কোর বোর্দতা রন অমত্তা লৈত্রিঙৈদা আউট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর পোল ষ্টির্লিং রন ১৪ দা আউট ওইখ্রবা মতুং জেমস মেকলম অমদি এন্দ্রুনা য়াম্না মরুওইবা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনর্শিপতা রন ১০৪ হাপচিল্লগা স্কোর বোর্দতা আইরলেন্দগী রন ১৩৭ শুহনখি। এন্দ্রু রন ৮২ দা আউট ওইখিবদগী কেবিন ওব্রাইন শান্নবা চঙলকখি। জেমস মেকলম রন ৩৯ দা আউট ওইখি। অদুবু কেবিন ওব্রাইননা মখা তারকপা বেটচমেনশিং অদুগা পার্টনর্শিপ খরা শেম্বা ঙমদুনা অপূনবা স্কোর ২৮৮ য়ৌরকপদা বেটচমেন ১০ য়ৌরকপদা ইনিংস অদু লোইশিনখি।

অহানবা ইনিংসতা রন ৫৪ লৌবা ঙমখিবা টিম মার্টিকরন ২৭ লৌরমখি। ১০ শুবা বেটচমেন জেমস কেমরুন আউট ওইদনা রন ৩২ লৌখি।

অফঘানিষ্টান্না মেচ অদু মায় পাক্নবা রন ১৪৭ কী টার্গেট লৈখিবা অদু ৱিকেট অহুমখক আউট ওইরগা রন ১৪৯ লৌদুনা টেষ্ট মেচ অদু মখোয়না আইরলেন্দবু ৱিকেট তরেৎতা থোইখি। টিম অদুগী মাইকৈদগী রহমট সাহগী রন ৭৬ অমসুং ইসানুলা জানটকী রন ৬৫ না মায় পাকহনখিবনি।

# এসিয়ন চেম্পিয়ন্সিপ শরুক য়াখিদবা অদু ওলিম্পিক্স ক্বালিফিকেসন ফংননবা শেমখিবা প্লাননি : মেরি কোম



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী)ঃ

থাইলেন্দদা এপ্রিল থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ শরুক য়াখিদবা অদু জপানননা য়ুম্বু ওইরগা কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টশিংদা মায় পাক্ননা হোৎনবগী প্লান অমনি হায়না মমিং লৈরবী ৱর্ল্ড টাইটল ৬ রক লৌবা ঙমখ্রবী হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরিবী এম সী মেরি কোমনা ফোঙদোকখ্রে।

মেরি কোমনা রসিয়াগী য়েকাটেরিবর্গতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অমা ওইগদবা মরম্না মদুগীদমক শেম-শাদুনা লৈরিবনি। টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাইদ ওইবনা মহাক্কী হৌজিক্কী ওইবা খ্বাইদগী মরুওইবা পান্দমনি হায়না মেরি কোমনা মখা তাখি।

হন্দক্কী চহী অসি মহাক্কী ওইনদি য়াম্না মরুওইবা চহী অমা ওইরি। কেজি ৫১ দা রসিয়াগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ শরুক য়াগদৌরিবী এম সী মেরি কোমনা মহাক্কী ওপোনেন্টশিং অদুবু মশক খঙবতা নত্তনা মখোয়গী মশান্নাশিং অদুসু কুপ্পা ঔরাইবা চঙই। লোয়ননা মহাক্না থিন্নগদৌরিবা বাউটশিং অদুগী জজশিংগী মায়কৈদগী মহাক্না লম্বা তৌনরিবা বোক্সরশিং অদুগা মহাক্না লৈনবা স্কোর পীরকপগী মতাং অদুসু মহাক্না য়েংনিংলি।

মহাক্না অহানবা ওইনা ইন্দিয়া ওপন বোক্সিং টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরি। মদুগী মতুং ওলিম্পিক্কী ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট ওইগদবা বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপশিং অদু মুন্না মশক খঙদোক্তুনা মপুং ফাবা শেম-শাবা মথৌ তাই। মদুনা মরম ওইরগা মথং থাগী থাইলেন্দদা পাঙথোক্কদবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা য়াওখিদবনি হায়রি।

কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদালিষ্ট এম সী মেরি কোমনা বোক্সিং করিয়র অসি লোইশিল্লকপদা ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেদল ফংনবা অকনবা মওংদা ট্রেনিং চৎখরি। মহাক মশামক্কী কেটগোরি অসি কেজি ৪৮ নি। অদুবু ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী বোক্সিং অসি কেজি ৫১ কেটগোরিদগী হৌবা মরম্না মশাগী অরুম্বা হেনগৎহল্লগা শান্নগদৌরিবনি।

হন্দক্তা জর্মনিদা ট্রেনিং কেম্প অমা শরুক য়ারুবদা মহাক্না মফম অদুগী বোক্সরশিংনা লম্বা তৌনখিবা বাউটশিং অদু মায় পাক্তুনা লাকখি। মমিং লৈরবী মশাগী চহী ২৬ শুরবী অঙাং অহুমগী মমাসু ওইরিবী এম সী মেরি কোমনা মশান্না অসিদগী পোত্থারগা কোচ অমা ওইবগী থৌদাং লৌনিংলি। মশামক্কী বোক্সিং একাদেমীক অমসু মণিপুরদা লৈরিবনি।

# ইন্দিয়াগী মরাথোন এথলিট গোপি থোনাকল রসিয়াদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী মরাথোন এথলিট গোপি থোনাকলনা ঙরাং সাউথ কোরিয়াগী সিওলদা পাঙথোকপা সিওল মরাথোন লমজেলদা পুং ২:১৩:৩৯ গী মতমদা য়ৌদুনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর অমসুং ওক্টোবর থা লোন্নবদা কর্টারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

ঙরাং সিওল ইন্টরনেসনল মরাথোন লমজেল অদুদা ইন্দিয়াগী গোপি থোনাকল ১১ শুবা পোজিসন দা তাখি। মহাক্কী মরাথোন লমজেল অদুগী মতম অদু মশাগী করিয়রগী ওইনা খ্বাইবগী য়াঙবা মতম ওইরি। মমাঙ চহীদা মহাক্না থমখিবা মরাথোন লমজেলগী খ্বাইদগী ফজবা মতম অদু পুং ২:১৫:১৬ ওইখি।

দোহাগী ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ শরুক য়াননবা ইন্টরনেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) না থমখিবা ক্বালিফাইয়িং ষ্টেন্দর্দ অদু পুং ২:১৬:০০ নি। ইন্দিয়াগী এথলেট অদুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা সিওল ইন্টরনেসনল মরাথোন লমজেল অদুদা মকোক থোংবা ঙমদ্রবসু ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

গোপি থোনাকলনা ইন্দিয়াগী এথলেটিক্সকী পুৱারীদা খ্বাইদগী ফজবা মতমদা চেনবা ঙম্বা অনীরকশুবা শান্নরোয় ওইরি। নীংশিংবা য়াই গোপিনা কুমজা ২০১৭ তা চাইনাগী সিটি দোঙ্গুৱানদা পাঙথোকখিবা এসিয়া মরাথোন লমজেলদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। মদুগী চহী অমগী মমাঙদা পাঙথোকপা ২০১৬ কী রিও ওলিম্পিক গেমসতা গোপি থোনাকল ২৮ শুবা পোজিসন তাখি।



গোপি থোনাকলনা ঙরাং সিওল ইন্টরনেসনল মরাথোন লমজেলদা চেনখিবা পুং ২:১৬:০০ গী মতম অদু ইন্দিয়াগী এথলেটিক্সকী পুৱারীদা খ্বাইদগী য়াঙবা মতম অদু চহী ৪০ গী মতুংদা ওইরক্লিবনি। কুমজা ১৯৭৮ তা ইন্দিয়াগী শিবনাথ সিংহনা মরাথোন লমজেল অদু পুং ২:১২:০০ দা চেন্দুনা ইন্দিয়াগী ওইবা রেকোর্দ অমা থল্লকখিবা অদু ঙসি ফাওবা থুগায়বা ঙমদনা লৈরি।

সিওল ইন্টরনেসনল মরাথোন লমজেল অসি আই এ এ এফ ইন্টরনেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ক্লাস গোল্ড লেভেল ইভেন্ট অমা ওইরি হায়না আই এ এ এফকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা পাউ অমদা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্লিবা ফেদরেসন কপ এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপতা অনুরানিনা জেবলিন থ্রোদা মিটর ৬২.৩৪ লংদুনা এসিয়ন চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বালিফাই ওইখ্রে। অদুবু মহাক ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাইয়িং ষ্টেন্দর্দ অদুদি য়ৌবা ঙমদ্রি।

অনুরানিনা নুপীগী জেবলিন থ্রোদা ৬২.৩৪ শান্না লংদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মতুং সর্মিলা কুমারীনা মিটর ৫৪.৯৮ লংলগা সিলভর মেদল লৌখি। অদুগা রোপিন্দর কোরনা মিটর ৫৩.৯০ লংলগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। ফেদরেসন কপ চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী নুপাগী মিটর ১০০০০ গী লমজেলদা মুর্লি কুমার গাবিদনা মিনট ২৯:২১.৯৯ দা চেন্দুনা গোল্ড মেদল ফংখি।

হায়রিবা ইভেন্ট অসিমক্কী সিলভর অদুনা অভিসেক পালনা মিনট ২৯:২২.৩২ দা চেন্দুনা অনীশুবা থাক্তা লৈখি। অদুগা কালিদাস হরিভেনা মিনট ২৯:২৫.১৬ ফংলগা অহুমশুবা তাখি।